# লাইফম পানা লিক্লাই লোয়শঙ মশাইকোন্দা উ থাবগী থৌরম - ৱাখলসিদা মোংলকপা খরা

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -





মমাঙ থাগী ২৯, লৈবাকপোকপা নুমিৎ, য়াম্না মরু ওইবা নুমিৎশিংগী মনুং চনবা অমা ওইখি হায়নীংঙই। ককচীং থুমখোঙমাঙ হীদাক থা কোঞ্জিলদা চীং লেম্না অচেৎপা ৱাশক অমা ইরোয়নবগী মতৌদা ঙাম্থোইরিবা ***লাইফম পানা লিক্লাই লোয়শঙ***নি। লোয়শঙ অসিগী মপূং ওইবা মফম অসি ডা. নাওরেম মুনাল মৈতৈ, দি এফ ও চান্দেলনা কৎপীবনি। হায়রিবা লোয়শঙ অসিগী মশাইকোন্দা উ থাবগী থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা তাইবঙ থৱায়শিংবু চায়োক নাওয়োকপীরিবা উমং-ৱামং কনবগী খোঙজেলদা মতম খুদিংমক শরুক য়ারি হায়বদু ময়েক শেংনা উৎখ্রে। থৌরম অদু য়াওবা ফংজখিবদু হায়ফম খঙদবমখৈ অপেনবা পোকচখি। মরমদি লোয়শঙ অসিগী মশাইকোন অসি মণিপুর পুৱারী অমসুং ফোকলোরগা শাগোন্নদুনা লৈরিবা মফম অমনি। মসিদগীসু হেন্দোক্তুনা চহী লিশাং শিৎনা ককচীংগী শেন্মীৎলোন্দসু অচৌবা মতেং পীদুনা লাক্লিবা শেম্ফু থোকফম্লি হায়বা য়াই। অসিগুম্লবা য়াম্না মরু ওইখ্রবা মফম অসি মমাঙঙৈগী মতমদা থুমখোং কয়া লৈরম্বগী ৱারী খুদম চাংদম কয়াসু লৈরি।

খৃষ্ট কুমজা ২০২২গী দিসেম্বর থাদনি, মফম অসিগী হীদাক থা কোঞ্জিল চীঙ্গোলদা ***লাইফম পানা লিক্লাই লোয়শঙ*** শাফোঙখিবদু। লমদম অসিগী য়েলহৌ লাইনীং, নাৎ-কলচর, পুৱারীগী শক্তম কন্নবগী পান্দম্না মাঙওইনরগা লীংখৎখিবা লোয়শঙনি। মসিদা মায়পুনবা থৌদাং লৌবীখিবশিংগী মনুংদা নাওরেম খোগেনচন্দ্রগী মিং পনবা য়াই। ফোকলোর অমদি পুৱারী মরু ওইনা ককচীংগী ওইবা হীরমদা খূৎ থাবীবগা লোয়ননা ইপা ইপুশিংনা থন্বীরম্বা মীতৈ ময়েক্কী খূৎইশিংবু বেঙ্গলি ময়েক্তা ইথোকপীবা অইবনি অদুগা য়েলহৌ নাৎ-কলচর, লাইনীং য়োকখৎনবা চেন-চোংলিবা মীশক্লি। মহাক্কা লোয়ননা সলাম মঙ্গিজাও, নাওরেম জ্ঞানন্দ, থোকচোম জয়ন্ত অমদি ৱাখল মান্নবশিংগী হোৎনজমন্না শাফোঙলকখিবা লোয়শঙনি। মরকসিদা থোকহন্নীংদবা লান অমনা লমজাই চাইহন্দুনা চীংনুং মান্নুং চঙবদা খৌরপ চাবা মতাং য়াওখ্রে। খনখি মতমদুদা ***লাইফম পানা লিক্লাই লোয়শঙ***না কমদৌবা! অদুবু মহাকপু করিদা শোয়খিদগে খন্না অকি-তুজুং ফাওদনা শেন্নবনা ওইরমাল্লে, লৈতাদ্রবা ফীভম মরক্তুদা শীংথাবা য়াবা থবক ময়াম অমা লেপ্তুনা পাঙথোকখ্রে। ঙসিসু খোঙজেল য়াঙবা লোয়শঙ অমা ওইরি।

লীংখৎখিবা চহী অহুম মপূং ফাদ্রি, পাঙথোক্লিবা থবক্তি অঙকপনি। লোয়শঙ অসিগী হৌরকফম ওইরিবা মরু ওইবা মফমসিদা হেক চঙবগা চিক্লা লেম্না ঙাল্লিবা মীতৈ য়ূমজাও অমনা তরাম্না ওকপীরি হায়না পূক্নীংদা ফাওই। ঐখোয়গী য়েলহৌ নাৎ-কলচরগা মরী লৈনবা পোৎলম খরনা লৈতেং ওইরি। য়ূমজাও অসিগী অৱাংদা পীক্তক তৌবা লাইব্রেরিগী শঙলেন অমা লৈ। অৱাং নোংচুপ ওইরপ্লা লেকফম চাফম ওইবা পীক্তকপা শঙ মচা অমসু লৈরি। কনাগুম্বনা মীটিনশঙ অমা শাবদা লৈবাক পুঙজাও থিনবা য়াওরিবনি। করি করম্বা মতিক ময়াইবু চেনবনো, মতম খরা চৎলুদ্রবা মতুং নোংমা চৎলুই। খংপ্রেক খংই, মীটিনশঙ অমা খিন্দুনা লৈরম্মী। মসিদি থম্বু থমখো লাইপোক ওইবা মীওই অমগী মিতম শাদুনা খিনবসিবু থথাগী থবক্লা? নোংমা চৎলুই, মিতম নিপালনি চাউথ্রোক চাউনা লেপ্লম্বদু। ককচীংগী মুক্না যাত্রা, লাইপোক ওইবা শেঞ্জাও যাত্রাগী ৱাং চাউরবা মিতম লেপ্লি। মদুগা লোয়ননা অদুঙৈ মৈদিংঙু পামহৈবগী হাক্তক্তা হিন্দু লাইনীংগী মায়োক্তা লেপখিবা ককচীং অথৌবা তরেৎপু ঙবোং খাউদা নম্লগা সেংমাই তুরেলগী ক্বাকপা ঈরেন্দা লংথদুনা থৱায় লৌখিবগী থৌদোক ৱারী লৈ। অথৌবা তরেৎ অদুগী মিতম তরেৎসু লেপ্তুনা অরাকপা খুদিংমক্তা পূক্লিং নুংশিবা থৌদোক্তুগী ৱারীবু পাউদম্লি।

মণিপুরগী নাৎ-কলচরদা খুনুং ঈশৈনা অৱাংবা ফিদা অমা কন্দুনা লৈরিবনি। শৈশকপা শৈশকপী অমদি থৱায় লূপচবা কয়ানা শৈশক অসিবু থৱায় হাপ্পীদুনা নোংম-নোংমগী অসুম-অসুম চাওখৎলক্লি। ঈরৈচাশিংখক নত্তনা মালেমগী মীয়াম্বুসু পূক্নীং চিংশিনবা ঙম্লে হায়বা য়াই। অসিগুম্বা শৈশক অসিবু তাকপী-তন্বীবগী মফম অমসু লোয়শঙ অসিনা ওইরি। চয়োল খুদিংগী নোংমাইজিং নুমিত্তা ওজা সলাম রোশনীনা তাকপী-তন্বীবগী থৌদাং লৌরি। মসিনসু লোইদে, ঐখোয়গী হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিংদা থাঙ-তাগী শরিৎ-শরাৎ মহৈ খঙহন্নবা পান্দমদা নোংমাইজিং খুদিংগী ডা. ময়াংলম্বম প্রবীনগী লমজিং লমতাক মখাদা থাঙ-তাগী মহৈ তম্বীরি। মতৌ অসুম্না শিন্তাক শিন্দমশঙগী মফম অমসু ওইরিবা ***লাইফম পানা লিক্লাই লোয়শঙ*** নি।

মণিপুর পুৱারীগী ঈচেলদা ককচীংগা য়োৎশুং য়োৎশাগা শাগোন্নদুনা লাকখি হায়বসিমদি পূম্নমক্না য়ানরবা ৱাফম্লি। ঐনা চেৎনা থাজরিবসি ***লাইফম পানা লিক্লাই লোয়শঙ***গী তৌবা ঙম্বা মতিক ময়াইবু তাইবঙ মপুনা হাপ্পীরমাল্লে হায়বসিনি। ককচীংগী ইপা ইপুশিংনা য়োৎচাক থিবা চৎপদগী হৌরগা য়োৎশুং য়োৎশাগী মওং মীয়ামদা উৎপা ঙম্বা মিতম খরা শোয়দনা থমগনি হায়না খোগেনচন্দ্রনা নোংমা হায়রম্মী। কুইদে মমাঙ চহীগী দিসেম্বরদা মিতমগী ওইগদবা মওং অদু শেমগদৌরি হায়দুনা চৎলুই। ঐ, ইচানুপী অনী, মপাগা ঐখোয় মরিমক্লি। পল্লেনগী ওজা নোগেন্দ্রোসু লৈরম্মী। মিতমশিংদু থমগদৌরিবা মফমদু ফজনা শেন্নম্লে। ওজা ক্ষেত্রিময়ূম রঞ্জননা কৎপীরকপনি হায়। নুমিৎ অদুদা ঈরাৎ থৌনি পাঙথোকপগা লোয়ননা নুপা তরামুক্না ইপা ইপুশিংদুগী শক্তম লাংদুনা য়োৎচাক থিবা য়োৎশুং য়োৎশা অদু উত্তুনা মমি থমহৌবগী থবক চথখি। নহান উ থাবা থৌরমগীদমক থুংলুবা মতমদা ঐ অদুক্কী মতিক ঙকখি, মিতম মাপন লৈরম্বদুদা। শাবা লোইশিল্লে হায়বা য়াই। মচু শঙবগী থবক কন্না চথরি। মিতমশিংদুগী মনুংদা মোইরাং কংলৈরোন ৱারীগী নিংথৌকোন মজাইবেম্মা থোইবীবু মপাইবুংঙো চিংখুবনা লোই থাঙৈদা থোইবী পাৎতা লোং খোনখিবগী ৱারী লৈ। মদুদা নুজা মাগী খুবোমদা লমথোই লমহেল্লবা তীনফানা চিকপা য়াওনা থাদোই মানা লোং খোনবগী মিতমসু য়াওরি। অসুম্না হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা মিতম তরাতরেৎ অসিবু শাবীবদি খূৎহৈবা মোইরাংথেম লুখোই, ককচীং ৱাইরি শৌগাইজম পরেংনি। মিতমশিং অসিবু মচু শঙবীবনা সন্তোস ৱাকা (খুরাই), শৌগাইজম জেলিশন (খুনয়াই), ক্ষেত্রিময়ূম অশোথমা (ককচীং মোইরাংথেম লৈকায়) অমসুং য়েংখোম অচৌ (ময়াংলম্বম পরেংনি)।

উ থাবগী থৌরম অদুগীদমক ঐ অমদি মপা ঐখোয়নি পুং নিপান্দা চপ চানা থুংলম্মী। পূক্নীংদা থুক লাউখি, পূক্নীংদা চাউথোকচবসু ফাওখি। ঐখোয়গী নাৎ-কলচর, লাইনীংবু কন্দবা য়াদে হায়না চোংথোরক্লিবা মশীং য়াম্লবা ***কচিং কলাই***গী নহা পাখঙ থৌমীশিংদু উরুবদনি। থৌরম অদুগী মায়পুনবা থৌদাং লৌরিবা অচঙবা মপারী ঙাক্তনি। লোয়শঙগী মশাইকোন্দো পূমঙান ঙানবোই খনখি। খনখি, মখোয়গুম্বা ইচা ইশু ময়াম অমা লৈরিঙৈদা পোক্লফম লমদম ইমাগী শম্লাং মতৎ অমা ফাওবা কেলহনবা ঙমগদবা কনানো! নুমিত্তুগী উ থাবদা হান্নগী ককচীং এ সীগী এম এল এ য়েংখোম সুরচন্দ্র (আই এ এস), প্রিয়াদর্শিনী লাইশ্রম (এস পি ককচীং), এ কে প্রেমজিৎ (এস দি পি ও, ককচীং), ডা. এন মুনাল মৈতৈ (দি এফ ও, চান্দেল), ক্ষেত্রিময়ূম কেনেদি (সোশল এন্দ পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট) নচিংবগা লোয়ননা ককচীং ফোরেষ্ট দিভিজনগী ষ্টাফশিংসু য়াওনা থৌরম অদু মপূং ফাহনখি। ***কচীং কলাই*** অমসুং ***লাইফম পানা লোয়শঙ***বু মহৌশা লাইরেম্বী ইমানা থৌজানবীবা ওইসনু। ***লাইফম পানা লিক্লাই লোয়শঙ*** মাদি তূমিন্না লৈরো হায়বা য়ারোইদৌরি। পূক্নীং-ৱাখল, চীন, খোঙ-খূৎ লমজেল য়াঙবা তান্নগদৌরি। ●

# মৌ অনৌবীনা তোঙান চাবা পাম্বা

- নবকুমার ওইনা -



অপঙবা মৌ - অশিংবা মৌ হায়না খায়দোকপা য়াব্রা? লোইনমক শিংগনি হায়বদি লৈতে, লোইনা পঙগনি হায়বসু লৈতে। মী ময়ামগা চপ মান্নৈদা। পঙবসু লৈগনি, শিংবসু লৈগনি, অপঙবীনা অশিংবা শাবসু লৈগনি। মবুক ফবদি লায়রি, মবুক ফত্তবী ময়াম য়াওরম্বসু লৈরি। মবুক ফত্তবা য়াওবদুদি য়াদে হায়বা তম্বীরগা ফরকপসু য়ারি, পঙবদুদি তাক্লবসু শিংবা ঙমদবা ময়াম লৈবদগী য়ূম কায়ববু য়াওনরিবনি।

তোঙান চানীংলকইসি শেম্থোক লৈবগী ওইগল্লি হায়নরি। লৈবা-লৈতবা য়াবু য়ানদ্রবদি হেক্তা তোঙান চানরিবনি। শাজৎ অমদগী ওইবসু য়ারিবনি। মীয়াম চাবা, চাকয়াম থোংবা তনবদগী/ৱাবদগী ওইবসু য়ারিবনি। মনেম, মচে, মনম্মা খরনা পাখোন পঙশি শীবা য়াওবগী খৎনরকপা অদুনসু মরম অমা ওইনরকপা য়াওরিবনি। চাগনবী, থক্কনবী, উমশায়-শায়গনবী খরদি চাবা মনীং থুংনবা, শা-ঙা চারবসু মনীং তম্নবা তোঙান চাবা পাম্বসু য়ারিবনি। তন্দ-তল্লগসু তোঙান চাউ য়াদবী, য়াহৌ থেংবী, থবক লৈথোকপী, অনাবী শারবসু হালেংদবী, থৈদোক্তুনা ঙাঙলগা নাম্থোক্তুনা লৈবী খরা য়াওবসু মফজৈ। লীলা মাল্লবসু ইমুং (য়ূম) গী মমা ওইবদগী ইমা মিংগৌ ফংনরিবনি। মচা অমত্তা পোকচদ্রবসু অঙাং অমা য়োকচরগা মমা মিংথোল লৌনরিবনি। ইমা নৎত্রগা মমা অমা ওইরক্লবদি ফনা ফত্তবী ওইরবসু মচাগীদমক অফবী মমা ওইরক্লিবনি।

মকুবোক্লা তোঙান পীজবগী ৱাসু লৈ। লৌ ইঙ্খোল খরা পীরনি, চাক্কৌবা নোংঙানবগা তোঙান পীজবসু লৈ। করিগী ওইগনি হংবা য়াই। মী হায়বসে মশাগী খনগল্লি, তোঙাল্লবদি থবকসু তোঙান্না শুরক্তবা য়ারক্তে। চাদবা য়াদবনিনা (নিরগা চাবদি ইকায়নৈ) চাক থোংদবা য়াদ্রে, ফি শুদবা য়াদ্রে, লুখাক শেংদবা য়াদ্রে, লম তাশিন্দবা য়াদ্রে, লৌতানবা য়াদ্রে। ইশম শম্না তনবা য়াদ্রে, ত্রেনিং অমা পীবগা মান্নরে। চাংয়েং অমসু মনেম-মকুনা য়েংনরিবনি, অৱাৎ-অপা হংবীরিবনি। চফু, উয়ান পুরকইবদু শীজিন্নবা হৌহনবনি, মরীল ফুদোকহল্লিবনি। তোঙান চাহন্দ্রবদি এঞ্জাং লান্নদ্রে, তেংকোৎ অনৌবা অহনবদু উবা ফংদে। কোল-লিক ময়াম পুরকপগী থম্ফম চিনবসু লৈরিবনি, মশাগী ওইবনিনা ফজনা ফেংলিবনি।

লংফৈদা লৈবগীদি মঙানি শুদনা হুম্নিদা চাক্কৌরগা নোংঙানবগা পাইখিবা ময়াম য়াওনরক্লি। শাওনবগী, লন-থুম মুন্নবগী নত্তে, শেল তানবগী মপান্দা লৈনবদগী তোঙান চাবা হায়বদু মাল্লকপগী ৱাতনি। শেল থুম ময়াম মমা-মপাদা পীনরি, ময়ূম পান্দ্রিবা/পান্দ্রিবীশিং কয়া তোঙান চাবগুম্না পূন্সি লেন্নরক্লি। নিপা-নুপী পূন্না চৎনখিবগীদি ৱাথোক ওইদে, নৌনা ময়ূম পান্নরগা পোষ্টিং লাপ্পবদগী নুপীগী থবক থাদোক্লবা কয়া য়াওনরিবনি। লৈঙাক্কী থবক ওইরবদি থাদোকপা পাম্মুবদগী নিপা-নুপী তোঙান তোঙান চানবসু য়াওনদবা নত্তে।

নুপীগী শরৈদগী তোঙান চানবা তৌবা য়াওরবদি নিপাদু মতোমতা নোংথক্তগী তারকপা নত্তে হায়বসি খঙনবা অমা চংই। য়োকপীরকপা, মহৈ তমহল্লকপা, থবক তৌহল্লকপা ময়ামদুগী মমল অমা খঙহনবসু চংই। মীরোল ৱাৎলবদি লীলাদা তৌবগুম্না ৱা খঙবা ৱাৎপা য়াওরিবনি। লাল্লিবদি নুপীদু নত্তে, মমা-মপানি লীলাদা পঙহেন হেঞ্জিন্না উৎনবসু অফবা নত্তে। লীলা নুংঙাইনবা হোৎনবদা খুন্নাইসি অসুম্না তৌনব্রা হায়বা অমসু লাক্কনি খল্লি। ৱা ঙাঙদনা মরন্নাইতা খনবী, মী তিন্নদবী, তোঙান তাবী নুপী ময়াম উনরিবনি। লায়না ওইনা লৌবা য়াবসু লৈরি। ঐ অমনা শেমদোক্লুবা য়াবা নত্তে, মমা-মপা ওইবশিংনা শেন্নকইবনি। মমৈদা লৈবাক কায়রকপা য়ারিবনি। কাওন্সেল্লিং তঙাইফদনা চংই।

মপামগীতা খনবদা কাউবা ঙমজদবা, তোলোপ তঙ্খায় মপামদা 'দুম পীবা, চয়োল খুদিং মপামদা চৎপী লৈরিবনি। মপুরোইবদগী মবুং-মৌপ্পা ওইবশিংনা হেন্না লুনা তৌবী য়াওদবা নত্তে (শেল পীবদা)। নাতৈ চাদবদা মরুম্বীগী ৱাথোকসু মুৎথ্রবা নত্তে। চাকখুম তোঙানবা অদুদগী হেন্দোক্তুনা শুমাং তোঙানবা, একাউন্ট তোঙানবা ময়াম লৈনরকপদগী লুপা লাখ লাখ পুথনরকপা য়াওরিবনি। নুপীগী শেন্দোন নিপানা শিংবা য়াওনরি, শিংবা ঙল্লরোই খন্দুনা লোৎখিবা কয়া য়াওনরবনি। তোঙান চাবা নত্তে, কায়নরব্রা খঙদবা য়াওরবনি। শিবা-নাবা থোকপদা চফু কায়নদবা য়ৌনা ইকায়খাংদগী ইমুংদুগী মীনি হায়বা য়ানদবা য়াওরক্লবনি। চফু কায়নরবদি শেলদু শিংবা তারিব্রা? সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন হায়রিবসিনি। মৌ অনৌবীদৌনা নীংঙাই তৌবা কাঙলূপ য়াওখৎলক্লিবনি। করিগী তোঙান তানীংলিবনো?

তোঙান চানবদগী হেন্দোক্তুনা নিপাদুদি কায়নরে, মচা অদুদি নুংশি হায়বদগী মমানা পুরগা মপামদা লৈররি। মচাদু লুহোংবগী চেবাউ পীবদদি মপাগী য়ূম্নাক ইবা তারক্লি, নুংশিবদগী মীচা য়োকপা তারকই। অহল ওইরক্লগা নুংশিবা শাদুনা মচাগী মনাক্তা লাকপা ময়াম য়াওনরি। লীলা মাল্লকই, নুংশিনবা ঙমজদ্রগা য়েক্লবা ওইনখিদুনা মপা মশক খঙনদবা কয়া লৈনরি। মচা নুংশিজরিবা মমা অদুনদি মচা অদুগী ৱাখলদা নারিবা লায়না/চৈনা অদুগী মরমদা থোইনা খনবা মাল্লক্তে। কোক্কী লায়না লাক্লবগী অচৌবা মরম অমনি, ঙাওরকপা য়াওনরিবনি। মদোম শিজখিবা য়াওদবা নত্তে। অশিংবা শারুবী মমা অপঙবীনা মীনা ঙাঙবা তাদবদগী মচা হাৎপী ওইরকপা য়াওদবা নত্তে।

চাক থোংই হৈতবী, হৱাই থোংই মুন্দবী, চেঙ চংগনবী, শম য়াওগনবী কয়া কায়নদ্রবসু তোঙান চানবসু য়াওনরিবনি। অদুসু চহী হুম্ফুতরা-মরিফু য়ৌরগনি। থৌদোক-ৱাথোক নত্তনা শাগৈগী মী উনদবী, কৈথেল থোক্তবী লৈরিবনি। মমৈথংদদি খুন্নাইগী শক্তমসি মৌশিংগী শক্তম্না ওইরকই, খুন্নাই অমগী শক্তমসি নুপী খুন্নাইগী শক্তমদুনি হায়রকই। নুপীশিংগী নাৎপু খুন্নাইগী নাৎ ওইনা লৌরকই, নুপীশিংতগী নাৎ লৈরকই। ইমুং অমদা পোক্লগা ইমুং অমগী নাৎকী শক্তম ওইরক্লিবনি।

খুন্নাই অসিদসু অনৌবা চংলকপা মীওইশিংগী শক্তম্না অপূনবগী শক্তম হেক-হেক হোংহল্লিবনি। পোইরৈতোন খুম্থোক, বামোন খুম্থোক, পাঙল খুম্থোক, কুকি খুম্থোক হায়বা ময়ামসিনা ঙসিদি ৱাথোক ওইরক্লবনি। ওইফম থোকপগী ওইরক্লিবনি হায়গনি, তোঙান চানীংবী মৌগুম্বা য়াওরক্লি। খুম্থোক্লিবদি নিপানি, নুপীশিংদি লৈহৌমী ওইনা তশেংনা লৈরিবনি হায়বা তারক্লি।

শা-লান ফাওবা নুপী য়াওদবা লৈতে, অহলশিংনদি নুপী হায়বসি হুমদাং নাম্মা ৱাৎলি হায়না পাউরৌ ওইনা হায়নরিবনি। তপ্না তপ্না মৌ অনৌবীদু মৌ অহল ওইরকই, ইমুংগী খল্লকই, তোঙান্দি চানখি। নাওশুম ঈশৈদগী খুল্লং ঈশৈ শক্লখি, পুন্নখি। মমৈদদি লৈমা-শিজদগী মন্ত্রিদুম ওইনরক্লি। মনেম ওইরকই, মবোক ওইরকই, লাই নীংলকই, লাইরেম্বীবু ওই হায়বা য়ারক্লি। পূম্নমকসি অঙাং ওইরিঙৈদগী তম্বীদুনা লাইথি শান্নবদা য়াওনরকইবনি। অদুমক্তদা পূন্সি চূপ্পা খঙবা ঙমদনা তাইবঙপান অসি থাদোক্লখিবা ময়াম অমা য়াওরিবনি। খুন্নাই অমা লৈবাক মচা তাবা লৈবাক ইরৈবাক অমদা লৈবা হায়বদু ওইনবা মৌ ওইরবীশিংনা হেন্না থৌদাং লৌরি হায়বা খঙদবা য়ারোইদৌরিবনি। খঙনরব্রনে?

কাঙলূপ ওইনা য়ানরক্তুবা হায়বসি মৌ ওইরিবীশিং, মমা-মপা ওইরিবশিংনা ৱারেপ লৌবা য়াওনদ্রবরা? মখোয়বু নীংঙাই কনবা খরনা হুম্লগা পুরিবা মাল্লক্লি। ইমুং অমা থুগায়বা ঙম্বী নিঙোলনা লৈবাক থুগায়বদা য়াওখ্রবরা? মীগী য়ূম থুগায়বী য়াওদবা নত্তে, লম্লক্তা অদুম লৈগদবী হোগায়বী য়াওরকপদা লৈবাক মুৎনরিবনি। তোঙান চানবা মৌখক্তনা লাংবা ওইগনি হায়বা লৈতে। মরম চায় খঙদে-চাদে খঙদে নুপীনা ঙাঙবা থাজ গনবা নিপা য়াওরিবনি। ইমুংদা দেমোক্রেসি চৎত্রবদি লৈবাক অমদা কমদৌনা দেমোক্রেসি চৎপা ঙমগদৌরিবনো? তোঙান চানীংবা হায়বসি দেমোক্রেসি খঙদবনি হায়গনি। সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন হায়রগা মৌ অমনা তোঙান্না চাবা পাম্বগা করিবু খেন্নরিবগে। মবুক ফত্তবগী শাজৎ অমা মনঙ্গলদা পোরি হায়বসি মশানা খঙজদবনি হায়গনি। ইকায়বা খঙদ্রবদি পুক ফত্তবদুসু ফরক্কনি হায়বা য়াদ্রিবনি, লুরিবদি পঙবা ওইরগনা হীদাক লৈত্রিবনি, অরোইবদদি চৈদা পোপ তাই।

লো হায়বদু খঙদ্রবা চৎনদ্রবা, মীনম্নরবা, শেল চানরবা লৈবাক্তু ইপা-ইপুদা কৎপা তর্পনগী হৈগুম্না কুপশোয় শোয়রগা মাঙগনি। মৌ অনৌবীদুনা শোয়রিবদু মনেম মকুনা তাকখিবগীনি লায়না খঙগনি। ●

# ম্যান্মারনা নাৎকী শক্তম ফজবা হেনগৎহন্নবগীদমক্তা য়েলহৌঙৈগী থানাখা মায়তৈ-পাউদরবু
# য়ু এনগী হেরিটেজ লিষ্টতা য়াওহন্নবা হোৎনরি

- খুরাইজম তোমথিনঙানবা মীতৈ -

ম্যান্মারদা লৈঙাক-চূপ্পী পায়রিবা লাম্মীগী লৈঙাক-খূৎপুবু শৌগৎপা অমসুং খূৎপুগী মায়োক্তা লৈবা কাঙবু অনী অসিগী মরক্তা ঈনা লৌখোং চেল্লবা সিভিল-ৱার অমা শোক্লদুনা লৈবা তারবসু, হৌখিবা য়ূমশকৈশা (ফেব্রুৱারী ২৬) নুমিৎতা, থানাখা হায়না খঙনবা মহৌশাদগী হৌনা লৈবাক অসিগী নাৎকী মায়তৈ-পাউদর ওইনা শীজিন্নদুনা লাক্লবা, উগী মকুদগী তক্লগা শেম্বা মলম অসিগী থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা নাকল অনীমক্না অমত্তা ওইবগী মশক অমা উৎখ্রে।

ম্যান্মারগী করিগুম্বা মফম অমত্তদা থানাখা হায়বসি তৈদবা খজাই উবা ফংলোই। লৈবাক অসিগী নুপী ওইবী অমসুং অঙাংশিংনা মলম অসিবু খজাই, নাতোন, লাইবক, ঙকশম, পাম্বোম অমসুং খোঙগী খূকউ মখাগী মমাঙ থংবা শরুক্তা অয়ূক্কী ঈরুজবা লোইরগা নুমিদাংগী তুম্মমদাই ফাওবা তৈনৈ। মসি নুপাশিংনসু মায়দা তৈনবা য়াওই। ঙসিদি অসিগুম্বা নাৎকী চৎনবী অসিগী মরমদা য়ু এনগী কলচরেল এজেন্সীনা খন্নরগনি।

য়ুনেস্কোগী ৱর্ল্ড ইন্টেঞ্জিবল কলচরেল লিষ্টতা থানাখা অসি য়াওহন্নবগীদমক্তা ম্যান্মারনা চেরোল অমা লানখৎখ্রে। থানাখা শীজিন্নরকপগী লীক্লম-লীখুন অসি ঙসিদগী চহী ১,০০০গী মমাঙদগী ওইগনি হায়না থাজবা পোক্লে। য়ুনেস্কোগী ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইট অমা ওইরিবা, লৈবাক অসিগী অরিবা কোনুং বাগান হায়না খঙনবা অসিগী মনুংদা লৈবা ১১শুবা চহীচাগী লাইশঙশিং খাজিল্লিবা ফক্লাংশিংদা থানাখা অসি শীজিন্নবগী মওং উৎপা অয়েকপা লাইশিং উবা ফংই।



থানাখা হায়বা অসি হৌজিক লাম্মীগী মায়োক্তা খূৎলায় পায়দুনা লান হৌরিবা লূপশিংগী অকনবা মফম অমা ওইবা, ময়ায় থংবা ম্যান্মারগী অকংবা লমদমদা হৌবা চন্দন পাম্বী মখল-মখা কয়াগী মকুদগী শেম্বনি। মলম অসিবু মিলিটরিগী য়েক্ল বশিংনসু মশাগী মনাৎ অমা ওইনা শীজিন্নৈ অমসুং মসি ওং শান শু চিগী মীয়ামগী মীহুৎশিংনা শেম্বা গভর্ণমেন্টকী কুমজা ২০২১দা লৈঙাক মুনখিবা মিলিটরিগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনবা হৌরকপা মতম অদুদা মীয়াম্না মায়দা য়ানীংদবগী সিম্বল য়েকপদা শীজিন্নখি।

য়ূমশকৈশা নুমিৎতা, ম্যান্মারগী খ্বাইদগী চাউবা সিটি অমা ওইরিবা য়াঙ্গোনগী পার্ক অমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা, মশাগী চহী ৪দগী ৮০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা, সোশল ওর্গনাইজেশন ৩৬কী মেম্বরশিংনা নাৎকী জগোয়-ঈশৈ চাংদম্নদুনা থানাখা অসিবু ম্যান্মার খুন্নাইগী সিম্বল অমনি হায়বসি উৎখি। থৌরম পাঙথোক্লিবা মফম অদুগী ৱাংমদা চাউরাক্লা ষ্টোল ১২ রোম হাংদুনা মকক মকক কক্লবা থানাখাগী উ (চন্দন) অমসুং থানাখাদগী শেম্বা কোস্মেটিকশিং য়োন্নখি।

চাংদম্নবগী থৌরম অদু শীল-লাঙলিবা ম্যান্মার কলচরেল হেরিটেজ ত্রষ্টকী চেয়রপর্সন, সেন দর খিননা, মসি থানাখাগী চৎনরোল অসিবু খঙহন্নবা অমসুং মালেমগী পূক্নীং চিংশিন্নবগীদমক্তা পাঙথোকপনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

থানাখা অসি য়ুনেস্কোগী ইন্টঞ্জিবল কলচরেল হেরিটেজ লিষ্টতা য়াওহন্নবগীদমক্তা কুমজা ২০২০গী মার্চ থাদা অহানবা ওইনা প্রোপোজ তৌখি, অদুবু এপ্লিকেশন অদু মপূং ফাবা ৱাৎলি হায়দুনা য়ারকখিদে। মরম অসিনা মিলিটরি লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ রিলিজিয়স অফ্যার্স এন্দ কলচরনা অনৌবা অমগা অমুক হৌখিবা মার্চ থাদা থাগৎখি।

করিগুম্বা অয়াবা পীরকপা তারবদি হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর থাদা শকখঙবা উৎখিবা নাৎকী ঈশিং-কুক্ষে থিংয়ান হায়বসিগী মথংদা থানাখানা য়ুনেস্কোনা শকখঙলবা ম্যান্মারগী অনীশুবা ইন্টেঞ্জিবল কলচরেল হেরিটেজ হায়বদু ওইরগনি।

ম্যান্মারগী ওইনদি লৈবাক অসিগী নাৎকী কেলেন্দরগী ১১শুবা থা মনুংদা থোকপা টাবোদৱে হায়বা পুর্ণিমা নুমিৎ অসিবু 'ম্যান্মা থানাখা দে' হায়না খঙনদুনা লৈরে। ●